# কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... – প্রসিদেন্ট জোন অদামস –



জোন অদামস অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস হৌদোকখিবশিংগী মনুংদা অমনি। কন্টিনেন্টেল কোংগ্রেসতা মেসাচুসিটসকী দেলিগেট অমা ওইনা মহাক্না অমেরিকাবু মনিং তমহন্নবগীদমক্তা থেংনখি। মহাক দিক্লারেসন ওফ ইন্দিপেন্দেন্সকী থবক তৌখিবা টিমগী মেম্বর অমনি অমদি দিক্লারেসন অদুদা খুৎয়েক পীরবা মতুংদা প্রসিদেন্ট ওইরকখিবা মীওই অনীগী মনুংদা অমনি। অতোপ্পদুনা থোমাস জেফর্সননি।

জোন অদামস মেসাচুসিটস বেগী ইংলিস কলোনিদা চাউরকখি। মহাক্কী অপোকপা মীয়ামদা ঈথিল পীবা ঙম্বা লৌমী অমসুং ক্রাফসমেন অমনি। মহাক মেসাচুটিস বে লেজিসলেচরগী স্পিকর ওইরকখি। জোন অশিংবা নুপামচা অমা হায়বদু ওইখিবগা লোয়ননা মহাক্কী অপোকপনা মহৈ-মশিন তম্বদা পূক্নিং চঙখি। মহাক কোলেজ তম্নবগীদমক্তা হর্ভাদতা চৎখি। অপোকপনা মহাকপু মিনিষ্টর অমা ওইনবা ষ্টদি তৌহন্নিংখি। অদুবু জোনদি তোঙানবা ৱাখল অমা চেল্লম্মী অমসুং লো তম্বা পামখি। কুমজা ১৭৫৫ দা মহাক হর্ভাদতগী লো গ্রেজ্যুএসন ফংখি অমদি য়াম্না থুনা বোষ্টনদা লো প্রক্টিস তৌখি।

বোষ্টনদা লো প্রক্টিস তৌরিঙৈদা অদামসনা বৃটিশ রুলগী মতাংদা কন্না ৱাখল তৌবা হৌখি। মহাক্কী ৱাখলদা কোলোনিশিং বৃটিশনা নীংথিনা তৌবীদ্রে অদুগা বৃটেনদগী নীংতম্না লৈবনা হেন্না ফগনি হায়না খনখি। মহাক মেসাচুসিটস লেজিসলেচরগী মেম্বর অমা ওইরকখি অমসুং মদুগী তুংদা অনীশুবা কন্টিনেন্টেল কোংগ্রেসতা নীংতম্বগী ৱাফম কন্না শৌগৎখি। মহাক্না থোমাস জেফর্সনগা লোয়ননা নীংতম্বা লাউথোক্লবগী থবক থৌরাংশিং ফাওবা পায়খৎখি।

অমেরিকান রিভোল্যুসন মনুংদা অদামসনা য়ুরোপতা চৎতুনা লানগী ফন্দিং ফংনবা হোৎনখি। অনৌবা অমেরিকান গভর্ণমেন্টকীদমক্তা অতৈ লৈবাকশিংগা মীচঙ ওইনবগী মরী শেম্বসু ঙমখি। মহাক্না বেঞ্জামিন ফ্রেঙ্গলিন অমসুং জোন জেগা লোয়ননা ত্রিতি ওফ পেরিসকীদমক্তা শেম শাখি। ত্রিতি অসিনা অমেরিকাগী রিভোল্যুস্নরি ৱার লোইশিনহনখি।

জোন অদামসনা অহানবদা জোর্জ ৱাশিংতনগী মখাদা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা সর্ভ তৌখি। ফম অসি মতিক চাদে হায়না খন্দুনা মহাক্কী মনিং থুংখিদে। অদুম ওইনমক ৱাশিংতন্না মফম থাদোক্লবা মতুংদা অদামসনা প্রসিদেন্টকী ফমগী কন্টেষ্টতা য়াওখি অমসুং কুমজা ১৭৯৭ তা থোমাস জেফর্সনবু ভোট খজিক্তং হেন্দুনা মায়থীবা পীখি। প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈ মনুংদা অদামসনা মায় পাকপা ঙমখিবা মরুওইবা থবক অমদি ফ্রান্সকা বৃটেনগা শোক্লবা লানদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু য়াওহনখিদবা অসিনি। ফ্রান্স অমসুং গ্রেট বৃটেননা লান শোক্লবদুদা লৈবাক অনীমক্না য়ু এসপু মীচঙ ওইনবা পামখি। হীরম অসিগী মতাংদা অমেরিকানশিংগী মত মান্নখিদে। অমেরিকান রিভোল্যুসন মনুংদা ফ্রান্সনা য়ু এসপু মতেং পাংখিবগীদমক্তা খরনা ফ্রান্সপু শৌগৎপা পামখি। অতৈনা গ্রেট বৃটেনবু মতেং পাংবা পামখি। মীয়াম্না মহাকপু পাম্নরক্তবগী ফীভম লাক্কদবা ওইরবসু অদামসনা পিছকীদমক্তা লেপ্তুনা অমেরিকাবু লান য়াওহনখিদে।

# ব্যুটি : ৱানা শেমখিবা কর্লি হেয়র ষ্টাইলগী ফজবা লুক অদু মতম শাংনা লৈহনবা য়াই

করিগুম্বা অদোমনা ৱানা মতম চঙনা শেমখিবা কর্লি হেয়র ষ্টাইলগী ফজবা লুক অদু মতম শাংনা লৈহনবা য়াই। তৌবতবু কর্লি হেয়র ষ্টাইলবু মতম শাংনা ফজনা থম্নবগীদমক মখাদা পীরক্কদৌরিবা টিপস ৫ অসি ফোলো তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। নুপী খরদি পোক্লকপদগী মশানা অদুমক কর্লি হেয়র ওইবসু য়াওনরি। অতোপ্পা নুপী খরনা মদুগী লুক অদু ফংনবা পৈশা চঙনা কর্লি হেয়র ওইনবা চেন-চোংদবসু নত্তে। কর্লি হেয়র ষ্টাইল কনাগুম্বা নুপী খরদদি অমুক্কা হেন্না মশক ফজথোকহল্লি। অদুবু কেবা হৈনরবা হৌজিক্কী মতমদদি নুপী অয়াম্বনা লোয়ননা মশক ফজরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। কর্লি হেয়র ষ্টাইল ওইবনা নুপী অদুগী মশক-মতৌ হায়ফেৎ তোঙানবা লুক অমা পীদুনা য়াম্না ফজবা শকফম অমা হায়বদু ওইহল্লি।



করিগুম্বা অদোমসু কর্লি হেয়র ষ্টাইলগী ফজরবা লুক অদু ফংবা পাম্লবদি ইৱা-ৱাদনা টিপস খরা ফোলো তৌরবদি য়াম্না লায়না ফংবা ঙমগনি।

**কর্লি হেয়র ষ্টাইল করম্না ওইহনগনি :** নুপী খরদি মখোয়গী কর্লি হেয়র অদুবু অরানবা মওংদা কংহল্লি নত্রগা মখোয়গী কর্লি হেয়রবু ফজনা ঙাক শেন্দুনা থম্নদে। লোয়ননা কনাগুম্বী নুপী খরদি শম চামথোক্লবা মতুং ফদিনা নত্রগা টাউৱেলনা য়াম্না কন্না তক্ল-তক্লদুনা কনদুনা অমদি তৈথোক্তুনা কংনবা হোৎনৈ। করিগুম্বা অদোমগী কর্লি হেয়রগী লুক অদু মাঙহনবা পামদ্রগদি অদুগুম্বা থৌওং অদু তৌবিরোইদবনি। ফদি নত্রগা অদোম্না শীজিন্নরিবা টাউৱেল অদুনা তপ্পা-তপ্পা শম তৈথোকপীগদবনি। মদুনা শম পুনশিনবদগীসু ঙাকথোকপা ঙমগনি। ইচম চম্বা চপ তিংবা শমনা পুনখ্রবসু লৌথোকপদা থোইদোক্লা অৱাবা হায়বদু ওইদে। অদুবু কর্লি ওইবা শমশিংদি পুনশিনখ্রদি লৌথোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইনৈ। অদোম্না কর্লি তৌদুনা ফজনা শেমখ্রবা শম অদু মতম শাংনা কর্লি হেয়র ওইহনগে হায়রবদি কর্লি ওইরবা শম অদু চামথোকপা মতমদা য়াম্না ফজনা কংহবা তঙাইফদে। লোয়ননা কর্লি হেয়র মতম শাংনা লৈনবগীদমক অফবা মখলগী প্রোদক্টশিং শীজিন্নগদবনি। অফবা শেম্পু অমদি অফবা হেয়র কন্দিসনর শীজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। কর্লি হেয়র নেচরেল দ্রাই ওইবনা শমবু হাইদ্রেদ ওইনা থম্বা মথৌ তাই। অদোমগী কর্লি হেয়র অদু হাইদ্রেদ ওইনা থম্বদা অফবা কন্দিসনর অমদি অফবা মখলগী শেম্পুনা মতেংসু পীদবা নত্তে।

**তোঙানবা মখলগী শমজেৎ অমদি শাটিন ব্রোকেট ওইবা মোন শীজিন্নবা কান্নগনি :** শাটিন ব্রোকেট ওইবা মোনদা তূম্বনা য়াম্না নুংঙাইনা তূম্বগনি লোয়ননা অদোমগী কর্লি হেয়রদসু শোয়দনা কান্নবা পীগনি। শাটিন ব্রোকেটকী মোনদা তূম্লবা মতুং অয়ুক হৌগৎপদা অদোমগী কর্লি হেয়রদা অকায়বা অমত্তা ওইরোই। লোয়ননা কর্লি ওইরবা অদোমগী শম হাৎনবা শীজিন্নরিবা শমজেৎ ময়া য়াম্না কুংদবা অচৌবা ময়া পানবা ওইনা শীজিন্নগদবনি। অদোমগী কর্লি ওইবা শম অদু য়ারিবমখৈ চোৎলিঙৈদা শমজেৎ হাৎনবা হোৎনবিয়ু। কংলবা মতুং য়ারিবমখৈ শমজেৎ হাৎপিগনু।

**বলো দ্রাই অমদি ষ্ট্রেটনিং তৌবদগী লাপথোক্লা লৈবিয়ু :** কর্লি ওইরবা অদোমগী শমবু য়াম্না ফজনা মতম শাংনা লৈহনগে হায়রবদি বলো দ্রাই অমদি ষ্ট্রেটনিং য়ারিবমখৈ তৌবিরোইদবনি। মদুনা শমগী মপাঙ্গল অমদি শমবু অমাঙ-অতা থোকহল্লি। য়ারিবমখৈ অফবা ফজবা কর্লি হেয়র ওইহনসি হায়রবদি নেচরেল ওইবা মওংদা শম কংহনবা মথৌ তাই। অদোম্না করিগুম্বা শমবু দ্রায়র তৌবগী তঙাইফদবা লৈরবদি সেটিং তৌদুনা য়াম্না শাদনা হিট য়াম্না পীদনা তৌবিয়ু। হায়রিবা ইচম চম্বা থৌওংশিং অসি ঙাক্লা চৎলবদি অদোমগী ফজরবা কর্লি ওইবা শম অদু মতম শাংনা ফজনা থম্বা ঙমগনি।

# মালেমগী অঙকপশিং


## মালেমগী অঙকপশিংগী মনুং চল্লিবা তাজমহল

মুগল নিংথৌরেল শাহ জহাননা মহাক্কী অহুমশুবা তাল্লোই মমতাজগী নিংশিং খুদম ওইনা উত্তর প্রদেশকী আগ্রাদা তাজমহল শারম্বনি। নুংঙৌতনা শাবা নিংথিরবা ফুরা অসি কুমজা ১৯৮৩ দা য়ুনাইটেদ নেসন্স এদ্যুকেসনল, সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (য়ুনেস্কো) না ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোকখি। ইন্দিয়াদা লৈবা মুসলিমগী ওইবা তাঙলবা খুৎশা হৈবগী লন অমা ওইনা মালেমগী মীয়াম্না শীংথারিবা তাজমহলদা ইস্লামিক, পর্সিয়ন, ওট্টোমান টর্কিস অমদি ইন্দিয়ন অর্কিটেকলচরেল ষ্টাইলশিংগী অপুনবা মমি অমা তাই হায়না লৌনরি।


মালেম শীনবা থুংনা মমিং চৎলবা নুংঙৌগী ফুরা অসি কুমজা ১৬৩২ দগী মখুৎ-মশা হৈবা মীওই লিশিং কয়া শীজিন্নদুনা শাবা হৌরগা কুমজা ১৬৫৩ দা লোইশিনখিবনি। অব্দুল করিম মামর খান, মক্রামট খান অমদি উষ্টাদ অহমদ লাহোরিনচিংবা মতমদুগী ফাওরবা অর্কিটেক্টশিংগী বোর্দ অমগী মিৎয়েংখাদা তাজমহল শাবগী থবক পায়খৎখি। উষ্টাদ অহমদ লাহোরিনা মপুং ওইবা লৈঙাক -সাসন পায়রিঙৈ, কুমজা ১৬৩১ দা নিংথৌরেল শাহ জহানগী অহুমশুবা তাল্লোই মমতাজ মহল অঙাং উনবদা শিখিবদগী নিংথৌরেল অদু হায়ফম খঙদবা অৱাবগী ঈপাক্তা ঈরাক্লরম্মী। মহাক্না মমতাজবু কয়াগী মতিক নুংশিজবগে হায়বদু উৎপা ওইনা তাজমহল শাখিবনি। কুমজা ১৬৩২ দগী শাবা হৌখিবা মোংফমগী মপুং ওইবা শরুক অদু কুমজা ১৬৪৮ দা লোইশিনখি। অকোয়বগী বিল্ডিংশিং অমসুং লৈকোল অদুনা চহী মঙাগী মতুংদা শেমগৎপা লোইশিনখি। সমরকন্দদা লৈবা তিমুরগী মোংফম; হুমায়ুনগী মোংফম; ইটমাদ-উদ-দোলাগী মোংফম (বেবি তাজ হায়নসু খঙনবা); অমসুং দিল্লিদা লৈবা শাহ জহান মশামক্কী জমা মসজিদকী মওং মতৌ খরা খরা লৌরগা মপুং ফাবা ফজবা শক্লোন অমা ওইনা তাজমহল শাখিবনি। মমাঙঙৈগী মতমদা মুগলশিংনা বিল্ডিং শাবদা অঙাঙবা মচুগী সেন্দষ্টোন শীজিন্নরম্মী অদুবু শাহ জহাননা মমতাজগীদমক তোপ তোপ্পা নিংশিং ফুরা অমা শানিংবদগী খুৎমাবা ওইনা নুংঙৌ শীজিন্নখিবনি।

তাজমহলগী অপুনবা কমপ্লেক্সতা মপুং ওইনা মিৎয়েং তাফম ওইরিবদি মোংফমগী শরুক অদুনি। মোংফমগী মথক কুপলিবা নুংঙৌগী কোইরোক কোয়বা য়ুমথক অদু য়েংবদা অসুক্কী মতিক নিংথিজরম্মী। য়ুমথক্কী মওং মতৌ অদু য়েংবদা তীলহৌ নত্রগনা পুংতোল মওং মাল্লি। দেকোরেসনগী মওং মতৌ অদুদা পর্সিয়ন অমদি হিন্দুষ্টানি কলচরগী মমি তারম্মী। তাজমহলগী মপানথোংগী ওইবা দেকোরেসনদা মুগল অর্কিটেকচরগী খ্বাইদগী নিংথিজরবা শক্তমগী মমি তাই হায়না লৌনরি। তাজমহল কমপ্লেক্সকী মফম অয়াম্বদা কুরানদগী লৌথোকপা ৱাহৈ ৱাতা কয়ানা লৈতেংই। কুমজা ১৬০৯ দা অব্দুল হক কৌবা মীওই অমনা ফজ-ফজবা কুরানগী ৱাহৈ ৱাতাশিং খন্দোকখিবনি। মহাক্কী হৈথোই শিংথোইবা অমদি মচু তাবা থবক অদুবু শক খঙবীবা ওইনা শাহ জহাননা মঙোন্দা "অমানট খান" হায়বা মিংথোল পীদুনা ঈকাই খুম্নরম্মী।





Title: A Dog
By: Akash Yumnam
Class: IV Sec: Roll No. 02
School: Maheilen Education Centre, Haotal



Title: Marsh Mellow & Alan Walker
By: Alvinash Laishram
Class: V Sec: Roll No. 14
School: Maheilen Education Centre, Haotal



Title: Marsh Mellow
By: L. Barcelona
Class: VI Sec: Roll No. 18
School: Maheilen Education Centre, Haotal



Title: A Girl
By: Irom Carolina Devi
Class: V Sec: A Roll No. 20
School: Maheilen Education Centre, Haotal




Title: Fairy
By: Chingsubam Dosika
Class: V Sec: B Roll No. 01
School: Maheilen Education Centre, Haotal




Title: Bicycle
By: Enunganba Maibam
Class: Psk-II Sec: A Roll No. 21
School: Blooming Kids Academy




Title: A Farmer
By: Lamnganba Sorokhaibam
Class: II Sec: B Roll No. 28
School: Maheilen Education Centre, Haotal




Title: Boy & Bicycle
By: Olympia Maibam
Class: Prep-I Sec: A Roll No. 06
School: Blooming kids Academy




Title: Woodpesker
By: N. Thoisana
Class: VI Sec: Roll No. 21
School: Good Will Christian High School



Title: Flower & Butterfly
By: Washington
Class: III Sec: A Roll No. 32
School: Maheilen Education Centre, Haotal



Title: Scenery
By: Telheiba Maibam
Class: II Sec. B Roll No. 07
School: Maheilen Education Centre, Haotal



Title: Scenery
By: Okram Somorjit
Class: II Sec: A Roll No.
School: Maheilen Education Centre, Haotal